## জুলাই ২৬ তা ইরাককী পী এমগা উন্নগদৌরি

ৱাশিংটন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্তাফা অল-কাধেমিবু থা অসিগী ২৬ তা হ্বাইট হাউসতা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মতাংদা মরু ওইবা ৱারী কয়া খন্নগনি হায়রি।

বাঘদাদতা হৌজিক হৌজিক দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোক্লবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর কাধেমি অমসুং যু এস এনভোয় ব্রেট এম সী গর্ককা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ইরাকতা হৌজিক হৌজিক ফোরেন ক্রুপ ৩,৫০০ রোম দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা ২,৫০০ রোমদি অমেরিকান ক্রুপশিংনি। ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপশিংগা লাম্হেংনবদা মতেং ওইনবগীদমক হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী ইরাকতা ফোরেন ক্রুপশিং দিপ্লোয় তৌবা হৌখিবনি।

ইরাকতা লৈরিবা যু এস মিলিটরি অমসুং দিপ্লোমেটিক ফেসিলিটিশিংদা রেবেলশিংনা টর্গেট তৌদুনা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌওংশিং থোক্লি। মমাং থাদসু খূৎলাই পায়বশিংনা রোকেটশিং কাপশিল্লক্তুনা চথুরকখিবা এটেক অমদা যু এস সিটিজন ৪ শোকহনবগী থৌদোক থোকখ্রে। পনবা য়াবদি মমাং থাদা ইরাক অমসুং সিরিয়াগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈবা প্রো ইরানিয়ন মিলিসিয়াশিংনা লৈরম্বা য়াই চিংনবা শরুকশিংদা যু এসনা এয়রষ্ট্রাইক পাক শন্না চথখিবনি।

## অকনবা ঈচাওনা য়ুরোপকী মফম কয়া থুমজিনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫০ রোম শিখ্রে

স্কলদ, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :



য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা মফম খরা অকনবা ঈচাও অমনা মরম ওইরগা অমাং অতা কয়া থোকহনখিবগা লোয়ননা থুমজিনহনখ্রবা মতুং থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫০ রোম শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শিখ্রবা মী অয়াম্বা জর্মনিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তগীনি। ঈচাও অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখ্রবসু ঈচাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা জর্মনিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা জর্মনিদা লৈবা অপিকপা খুঙ্গং অমদি মপুং ফানা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

খঙহৌদনা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা জর্মনিগী শরুক অয়াম্বা মিনিট ১৫ রোম ঈশিংনা থুমজিন্দুনা লৈখি। য়ুম কয়া ঈচাও অদুনা চেন্থখিবগা লোয়ননা লম্বী নাকলদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং অমদি পোষ্ট কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা সিটি খরদি হৌজিক্কী ওইনা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংহনখিদ্রে।

জর্মনি খক্তা নত্তনা বেলজিয়মদসু ঈচাও অসিনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখি। বেলজিয়মদা লৈবা মীওই ২১,০০০ হেনবনা হৌজিক হৌজিক ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংখিদবগা লোয়ননা মীওই ২০ লোম ঈচাও অদুদা শিহনখি। লক্সমবোর্গ অমসুং নেদরলেন্দদসু অকনবা নোংনা মরম ওইরগা মফম অদুগী মীয়ামশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকনহনখি। লৈবাকশিং অসিদসু ঈশিং ঈচাও থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জর্মনিগী রেসিদেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা স্কুলদা মখোয়না চহী ২০ লোম হেন্না লৈরকখিবা অসিদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক অমত্তা থোকপা থেংনদ্রি। খঙহৌদনা ওইরকখিবা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। হন্দক থোকখিবা ঈচাও অসিদি খঙহৌদনা লাল লাকপগা চপ মান্নে।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিক হৌজিকসু ঈচাওনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। হৌজিক মক্কী ওইনদি য়ুরোপ পুম্বদা ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৫০ রোম শিহনখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। অমরোমদা জর্মনিদা ঈশিং ঈচাওনা মীশি মীনা কয়া থোকহনখিবগী থৌওং অদুবু যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদকী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী সিদনিগী লোকদাউন কনশিনখ্রে

সিদনি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :




ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি সিটিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটাগী কেস মশীং খঙহৌদনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরক্তনবগী পান্দমদা সিদনিদা লোকদাউন অমুক্কা হেন্না কনশিনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু সাউথ ৱেলস সিটিদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং কা হেন্না থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মফম অসিদা মীওই কয়া ময়ুমদগী থোরকপদা ওথোরিটিশিংনা অথিংবা থমখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ দা সাউথ ৱেলস ষ্টেটতা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১১১ থেংনখিবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌরকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রবা মশীং ৯১৩ শুখিবগা লোয়ননা মীওই ৩ শিহনখ্রে হায়রি।

দেলটা ভেরিয়েন্টনা অমুক হন্না চৈথেং পীরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা হৌখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা সিটিশিংদা ওথোরিটিশিংনা লোকদাউন থমজিনখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী মশা মশাগী থবক তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। সিদনিদা মমাং থাগী ২৬ তগী হৌরগা লোকদাউন থম্বা হৌরকখিবনি। লোকদাউন অসি জুলাই ৩০ দা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লম্বনি। অদুমওইনমক কা হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা লোকদাউনগী চৎনা কাঙলোনশিংসু হান্নদগী হেন্না কনখৎহনখিবনি।

সিদনিগী চীফ হেদ ওফিসর কেরি চান্টনা ফোঙদোকখিবদা কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা থিগৎপগী থবকশিং চথুরি। দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীবা হৌরকখিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি য়াম্নমক লাইৱকথিবনি। লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংনবা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মরু ওইনা ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটতা লৈরিবা মীয়াম্না ইমর্জেন্সি সার্ভিসকা মরী লৈনবশিং নত্তনা মশা মশাগী য়ুমদগী মপান থোক্তনবা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিবু মীয়াম অমদি লৈঙাক অনী পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনমিনসি হায়রি।

## দেলটা ভেরিয়েন্টনা মালেম পুম্বদা চৈথেং পীবা হৌরে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না শন্দোরকপা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা মালেমগী লৈবাক পুম্বদা চৈথেং পীবা হৌখিবগা লোয়ননা মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া অরেম্বদা মাঙহনবা হৌখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসি ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরম কা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমদবদগী হৌজিক হৌজিক অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা নাহল্লিবা অমদি শিহল্লিবশিং অসি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংনি। মরম অদুনা লৈবাক লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরম য়ারিবমখৈ খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## কোভিদকী অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলকপদগী থাইলেন্দদা মী য়াম্না পুনবদা অথিংবা থমখ্রে

বেঙ্কোক, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা থাইলেন্দদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলকখিবা অমদি লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখিবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা থাইলেন্দ পুম্বদা মী য়াম্না পুনবদা অথিংবশিং থমজিনখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১০,০৮২ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৪১ শিহনখি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ৩,৯১,৯৮৯ শুহনখিবগা লোয়ননা পুন্না মীওই ৩,২৪০ শিহনখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা শোকহল্লকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা এক্তিভ কেস মশীংগী মনুংদা চাদা ৮০ দি দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস ওইরি। মসিনা মরম ওইরগা লায়না লাইচৎ অসিনা মখা তানা লৈবাক অসিদা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লকপা থিংনবগীদমক মী য়াম্না পুনবদা অথিংবা থমজিনখিবনি।

হায়রিবা অথিংবশিং অসিগী মায়োক্তা করিগুম্বা থবক থৌরমদা থেংনরবদি মখোয়গী মথক্তগা দোল্লর ১,২১৯.৮৮ ফাইন ওইনা থিহনবগা লোয়ননা চহী অনী জেলদা থম্বা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চত্তবনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা করিগুম্বা লৈঙাক্লা শেম্লিবা চৎনা কাঙলোনশিং অসি থুগাইদুনা থবক তৌরম্লবদি ফাইন থিহনবগী মহুত্তা খুদক্তা জেলদা থাজিনবগী থবকশিংসু চথুরকপা য়াই হায়রি।

## চাইনিজ ওফিসলশিংগী মথক্তা যু এসনা অথিংবশিং থমজিনখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

বৈজিংনা হোং কোংদা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনিজ ওফিসল খরগী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখ্রে।

যু এস ত্রেজরি দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা চাইনাগী ওফিসল ৭ চেন দোং, হে জিন, লু জিনিং, কি হোং, টান টিন্যু, য়ান জিয়ানপিং অমসুং য়িন জেং হু অগী মথক্তা অথিংবশিং অসি থমজিনখিবনি। হায়রিবা ওফিসল ৭ অসি চাইনাগী হোং কোং লাইজন ওফিসতা দিপ্যুটি দিরেক্তর ওইনা থবক তৌরিবা মীওই ঙাক্তনি।

অমরোমদা যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা চাইনিজ ওফিসলশিং অসিনা হোং কোংগী দিমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌওং কয়া চথবগা লোয়ননা ইলেক্সন পাঙথোকপদা মতম থেংথহল্লি। হোং কোংদা দিমোক্রেসি লৈহন্নবগীদমক খোঙজং চঙশিনখিবা মীওই কয়া হোং কোং ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা থল্লি। চাইনাগী থৌইনশিন মখাদা চথুরিবা থৌওংশিং অসি যু এসনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

## ‘হান্নগী ওফিসলশিংনা মোইজে হাৎনবা ওর্দর পীরম্বা য়াই’

হাইটি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

হাইটিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোভেনেল মোইজে হাৎখিবা অদু লৈবাক অদুগী হান্নগী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল জোসেপ ফেলিক্স বাদিওনা ওর্দর পীখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না কলম্বীয়া পুলিসকী চীফ জেনরেল জোর্গি ভগেসনা ফোঙদোরক্লি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট মোইজে থা অসিগী ৭ তা মহাক মশাগী ময়ুমদা খূৎলাই মতিক চানা পায়রবা অমদি ফজনা ত্রেন তৌরবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলমখিবনি। মহাকপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা চরাংনবা কয়া থোক্তুনা লাক্লি। হাইটিয়ন অমসুং কলম্বীয়ন ওথোরিটিশিংনা ইন্তরপোলগা লোয়ননা চথখিবা থিগৎপগী থৌওংদা হান্নগী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল বাদিওনা ওর্দর পীরগা হাৎহনখিবা মানবগী খুদমশিং থেংনরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পুলিসনা বাদিওগা পাউ ফানবা ঙমদ্রি অমদি মহাক কদাইদা লৈবগে হায়বসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা পুলিস চীফনা চপ চাবা ইনফোর্মেসন মীয়ামদা খঙহল্লকপা তৌদ্রবসু অথুবা মতমদা মোইজে হাৎখিবা মীওইশিং অমদি হাৎখিবগী মরম খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 190,270,865 | +562,803 | 4,091,489 | +8,653 | 173,479,893 | 12,699,483 |
| 1 | USA | 34,929,856 | +40,529 | 624,606 | +293 | 29,358,531 | 4,946,719 |
| 2 | India | 31,063,987 | +38,112 | 413,123 | +560 | 30,220,183 | 430,681 |
| 3 | Brazil | 19,308,109 | +45,591 | 540,500 | +1,450 | 17,951,699 | 815,910 |
| 4 | Russia | 5,907,999 | +25,704 | 146,868 | +799 | 5,300,908 | 460,223 |
| 5 | France | 5,844,249 | +10,908 | 111,451 | +22 | 5,657,014 | 75,784 |
| 6 | Turkey | 5,514,373 | +6,918 | 50,450 | +35 | 5,375,262 | 88,661 |
| 7 | UK | 5,332,371 | +51,870 | 128,642 | +49 | 4,385,308 | 818,421 |
| 8 | Argentina | 4,737,213 | +17,261 | 101,158 | +463 | 4,363,105 | 272,950 |
| 9 | Colombia | 4,601,335 | +17,893 | 115,333 | +500 | 4,353,957 | 132,045 |
| 10 | Italy | 4,281,214 | +2,898 | 127,851 | +11 | 4,110,649 | 42,714 |
| 11 | Spain | 4,100,222 | +31,060 | 81,096 | +12 | 3,660,683 | 358,443 |
| 12 | Germany | 3,749,922 | +1,555 | 91,878 | +15 | 3,638,200 | 19,844 |
| 13 | Iran | 3,485,940 | +21,885 | 86,791 | +199 | 3,101,618 | 297,531 |
| 14 | Poland | 2,881,241 | +93 | 75,205 | +14 | 2,652,743 | 153,293 |
| 15 | Indonesia | 2,780,803 | +54,000 | 71,397 | +1,205 | 2,204,491 | 504,915 |
| 16 | Mexico | 2,629,648 | +12,821 | 235,740 | +233 | 2,068,175 | 325,733 |
| 17 | South Africa | 2,269,179 | +15,939 | 66,385 | +413 | 2,009,456 | 193,338 |
| 18 | Ukraine | 2,243,605 | +737 | 52,702 | +17 | 2,180,281 | 10,622 |
| 19 | Peru | 2,090,175 | +2,032 | 194,935 | +90 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,777,399 | +11,297 | 17,775 | +2 | 1,657,871 | 101,753 |
| 21 | Czechia | 1,670,590 | +228 | 30,336 | | 1,637,713 | 2,541 |
| 22 | Chile | 1,596,549 | +2,053 | 34,309 | +102 | 1,547,042 | 15,198 |
| 23 | Philippines | 1,496,319 | +5,667 | 26,476 | +162 | 1,421,291 | 48,552 |
| 24 | Iraq | 1,474,865 | +8,336 | 17,751 | +44 | 1,340,383 | 116,731 |
| 25 | Canada | 1,422,641 | +395 | 26,489 | +17 | 1,391,397 | 4,755 |
| 26 | Belgium | 1,102,069 | +1,453 | 25,208 | +1 | 1,051,372 | 25,489 |
| 27 | Sweden | 1,094,287 | | 14,609 | | 1,070,016 | 9,662 |
| 28 | Bangladesh | 1,083,922 | +12,148 | 17,465 | +187 | 914,343 | 152,114 |
| 29 | Romania | 1,081,539 | +72 | 34,250 | +2 | 1,046,691 | 598 |
| 30 | Pakistan | 983,719 | +2,327 | 22,720 | +31 | 917,329 | 43,670 |
| 31 | Portugal | 923,747 | +3,547 | 17,194 | +7 | 857,108 | 49,445 |
| 32 | Malaysia | 893,323 | +12,541 | 6,728 | +115 | 772,542 | 114,053 |
| 33 | Israel | 850,104 | +830 | 6,444 | +1 | 837,394 | 6,266 |
| 34 | Japan | 831,186 | +3,411 | 15,014 | +24 | 793,643 | 22,529 |
| 35 | Hungary | 808,725 | +64 | 30,015 | +2 | 742,632 | 36,078 |
| 36 | Jordan | 760,161 | +475 | 9,879 | +7 | 742,065 | 8,217 |
| 37 | Serbia | 718,299 | +206 | 7,078 | | 709,223 | 1,998 |
| 38 | Switzerland | 707,976 | +619 | 10,902 | | 690,364 | 6,710 |
| 39 | Nepal | 664,576 | +2,006 | 9,506 | +43 | 628,243 | 26,827 |
| 40 | UAE | 657,884 | +1,530 | 1,892 | +7 | 635,759 | 20,233 |
| 41 | Austria | 653,001 | +341 | 10,728 | +1 | 639,352 | 2,921 |
| 42 | Morocco | 552,635 | +2,791 | 9,427 | +9 | 529,853 | 13,355 |
| 43 | Lebanon | 550,004 | +577 | 7,883 | +1 | 535,051 | 7,070 |
| 44 | Tunisia | 533,274 | +6,787 | 17,214 | +205 | 424,786 | 91,274 |
| 45 | Saudi Arabia | 507,423 | +1,298 | 8,048 | +13 | 488,346 | 11,029 |
| 46 | Kazakhstan | 477,754 | +5,648 | 4,864 | +48 | 423,996 | 48,894 |
| 47 | Ecuador | 473,647 | +925 | 21,899 | +27 | 437,167 | 14,581 |
| 48 | Bolivia | 459,579 | +1,367 | 17,375 | +30 | 386,591 | 55,613 |
| 49 | Greece | 453,200 | +2,688 | 12,809 | +14 | 413,367 | 27,024 |
| 50 | Paraguay | 443,378 | +1,171 | 14,178 | +58 | 400,910 | 28,290 |

## সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপনা মী শিহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি: বাইদেন



ৱাশিংটন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমদি ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোরকপা অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহল্লক্লবা অচৌবা মরম অমা ওইরি হায়না যু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হ্বাইট হাউসনসু ফেসবুক্তা অসিগুম্বা অরানবা ইনফোর্মেসনশিং অসিগী মতাংদা য়াম্না চেকশিন্না স্ক্রিনিং তৌনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

হীদাক কাপথোক্তবা মীশিংদনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা কা হেন্না শোকহনবগা লোয়ননা শিবগী চাংসু য়াম্না হেলহল্লি। অসিগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মতম অসিদা মীওই খরনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অকিবা পোকহন্নবা অরানবা পাউ কয়া সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা শন্দোরক্লি। অরানবা পাউশিং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা অকিবা ফাওনরে অমদি কয়ানা ভেক্সিন কাপ্পুনবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা লায়না লাইচৎ অসিনা মী শিবগী মশীং হান্নদগী হেনগৎহল্লি। অমরোমদা হায়রবদি অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিং অসিনা মরাল লৈজদ্রবশিং অদুবু হাৎপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি মখোয়না লান্না শন্দোরকখিবা পাউ অদুনা মরম ওইরগা হীদাক কাপক্কদবা মীওই কয়া কাপহৌদবদগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি। সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবা মীওইশিং অসি মরী লৈনবশিংনা থিগত্তুনা মখোয়গী মথক্তা লিগেলগী ওইবা এক্সন লৌখৎত্রবদি অমদি সোসল মীদিয়া সাইটশিংনসু লায়না লাইচৎ অমদি ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই।

হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন সাকিনা ফোঙদোকখিবদা ফেসবুক য়াওনা অতোপ্পা সোসল মীদিয়া সাইটশিংনা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌশিং চপ চানা তৌদবনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি। সোসল মীদিয়া সাইটশিং মরু ওইনা ফেসবুক্তা পোষ্ট তৌরক্লিবা অরানবা পাউশিং খুদক্তগা লৌথোক্কদবনি অমদি অরানবা ইনফোর্মেসনশিং সোসল মীদিয়া সাইট অসিদা পোষ্ট তৌবা য়াহল্লোইদবনি।

অমরোমদা ফেসবুককী মায়দৈগীদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অমসুং ভেক্সিনেসনগী মতাংদা লান্না পাউ শন্দোরক্লিবশিংগী মথক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা কোভিদকা মরী লৈননা ফেসবুকতা পোষ্ট তৌরকখিবা কম্মেন্ট মিল্লিয়ন ১৮ হেন্না লৌথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী একাউন্টশিং দিসএবল তৌখ্রে হায়রি।

## অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মীহুৎশিং ৱারী শান্নবা হৌখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৭ (এজেন্সী) :

অফঘানদা হৌজিক হৌজিক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী চাং হেনগৎলকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা খুদোংচাদাবা কয়া মায়োক্নরিবা অদু য়েংলগা দোহাদা অফগান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে।

দোহাদা নাকল অনীগী সেনিয়র দেলিগেসনশিংনা লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং লোয়শিন্নবগীদমক য়াম্না তোয়না ৱারী শান্নখ্রে। অদুমওইনমক ৱারী শান্নখিবশিং অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবগা লোয়ননা খূৎ থোক্লবগী চাংসু হান্নদগী হেনগৎলকখিবনি।

অফঘানিষ্টানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা মওংদা এটেক চথবা হৌদুনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা মফম অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে। টালিবান ফাইটরশিংগী মায়কৈদগীদি অফঘান লৈবাক্কী শরুক চাদা ৮০ য়ৌনা টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌখ্রে হায়না ক্লেম তৌবা লৈখ্রে।

ঙমখৈগী শরুক অয়াম্বসু টালিবাননা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। পাকিষ্টানগা তায়নবা বোলদাকসু টালিবান ফাইটরশিংনা মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অহেনবা ক্রুপশিং অমদি কম্মান্দোশিং দিপ্লোয় তৌদুনা টালিবান ফাইটরশিংবু অমুক হন্না তকথোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অদুমওইনমক ফাইটরশিং অদুবু তকথোক্নবা হোৎনবদা খূৎলাই মতিক চাদবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী খুদোংচাদবশিং চাওনা মায়োক্নরি।

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

### ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 17th July, 2021

**No.2/25/96-HSC/7065 :** In continuation of this office Notification of even number dated 09/07/2021 it is, hereby notified to all concerned Chairman (Principals/ Heads of the institution) of the Result Committee of respective Higher Secondary Schools/ Colleges under the Council that the result sheet of the left out students (whose last date of form fill up was 17/07/2021) should be submitted to the Council's email **cohsemimphal@yahoo.co.in** along with the scanned copies of the relevant documents viz, Class X Mark Sheet duly signed by Principal and XII Exam. Roll number written on it, Rationale document, Proceeding of the Final meeting of the Result Committee and Class XII Tabulation Sheet/ Working Sheet on or before 19/07/2021 (up to 5 pm).

The Excel worksheet of respective Schools shall be uploaded in the Council's website **cohsem.nic.in**. on 17/07/2021. The Result Committee of the School shall do the needful and submit the same in time for timely declaration of result.

For declaration of result, the Council would consider only the result sheets of those institutions available in the Council's email at exactly 5 pm of 19/07/2021.

All concerned Principals/Heads of the institution are requested to do the needful from their end.

Sd/- **Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Higher Secondary Education, Manipur

HL-B/7040/18